**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-05-2026)**

**গোবিন্দাস (এল)ঃ** গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দানস কোন্থৌজমনা লুচিংবা এম.এল.এ. কাংবু অমনা ঙসি কামজোং জিলাগী ৱাংলি, নমলি অমসুং চোরো খুলদা চৎতুনা মফম অদুদা হৌজিক ওহরিবা ফিভম য়েংশিনখ্রে।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী তরেৎ ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা লৈবা খুঙ্গংশিং অসিদা চরাংনবা থোকখিবনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা মফমদুগী নুপীশিংগী লুপ-সনালোংগা উন্নদুনা ৱা খন্নখি হায়রি। শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-সরকারগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা মফম অদুদা পুরকবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎলি। মীয়ামনা অমত্তা ওইনা পুন্না লেপমীন্নদুনা মীয়াম মরক্তা নুংশি চান্নবা পুরকবা হোৎনমীন্নসি হায়রি।

খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এ. থোঙাম বিশ্বজিৎ, থাংজম অরুনকুমার, রাম মুইভা, খাশিম বাশুম, লৈশিও কৈশিং অমসুং অব্দুল নাশিরসু য়াওখি।

**এআর (এল)ঃ** কামজোং জিলাগী নামলি খুলদগী হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা কে.এন.এ (বি) না ফাখিবা নুপী অদু ঙসি থাদোরকখ্রে।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা হায়-নুপী অদু ঙসি চোরো খুলগী খা থংবা মায়কৈদা থাদোক্লম্বনি। অসাম রাইফলসনা নুপী অদু মহাক্কী মপুরোইবা অমদি খুলগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে। থা অসিগী তরেৎতা নামলি, ৱাংলি অমসুং চোরো খুলদা থোকখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা কে.এন.এ. (বি) গী কাদর অমসু ফাদুনা পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। ফারবা মীওই অদুদগী খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফংবা ঙমখি।

**ফোরেষ্ট (এল)ঃ** সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন মনিপুরনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং রিজার্ব ফোরেষ্টকী চীংখোংশিংদা এরিয়া দোমিনেসন চথখ্রে।

সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন ইম্ফালগী চেরোল অমনা হায়-দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-বিক্রম সুরেস নাম্বিগী লুচিং মখাদা পাঙথোকখিবা এরিয়া দোমিনেসন এক্সরসাইজ অদু বিভাগ অসিনা থাজবা থমখিবা ৱাখল্লোন, উমং-ৱামং ঙাক শেনবগী থবকশিং মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমসুং রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াশিংদা আইননা য়াদবা থবকশিং ঙাকথোকবগী পান্দমদা চখিবনি।

এরিয়া দোমিনেসন অদুদা হৈঙাং রিজার্ব ফোরেষ্টকী ওইনা চিংনবা মফমশিংদা আইননা য়াদবা মওংদা লম খোপচিনদুনা যুম-কৈ শাজিল্লকপা, উ-ৱা য়ান্থৎপনচিংবশিং থিংনবা গ্রাউন্দ ভেরিফিকেসনসু চখি।

**বিজোয় (এল)ঃ** মনিপুরদা করিগুম্বা ঈরাং অমা থোরকপা মতমদা খ্বাইদগী চাউনা চৈথেং নংলিবা অসি নোংমগী শুরা-নোম্লগা চারিবা মীওইশিংনি হায়না পোলিটিকেল কমেন্টেতর-চোংথাম বিজোয়না হায়রি।

লমফেলপাৎতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী বিজোয়না হায়-করিগুম্বা থৌদোক অমা থোকপা মতমদা অতমনা কৈথেলশিংদা তায়নবা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। মসিগা লোয়ননা মমাং থাদা থোকখিবা বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবী থৌদোক অদুগী মতাংদা এন.আই.এনা থিজিল্লিব অসি অথুবা মতমদা চপ চাবা লংলা-লংজিল পুথোকবসু মহাকা তকশিনখি।

**খোঙচৎ (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী দিরেক্তর-টি.ঐচ. চরনজিৎনা ঙরাং ন্যু দিল্লিগী সি-সভেন ইমপোরিয়ম কমপ্লেক্সতা লৈবা মনিপুর ইনর্ফোমেসন সেন্টরগী ফিভম হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স

(দি.আই.পি.আর) গী চেরোল অমনা হায়-খোঙচৎ অদুদা দাইরেক্তরনা সেন্টর অসিগী ষ্টাফশিংগা উন্নদুনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। মসিগা লোয়ননা নেসনেল মেদিয়া অমসুং রাজ্য সরকার অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবসু দাহরেক্তরনা সেন্টর অসিগী ষ্টাফ অমসুং ওফিসিএলশিংদা খঙহনখি।

**অধালট (এল)ঃ** নেসনেল লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিনা শিনদুনা ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা অনিশুবা নেসনেল লোক অধালট পাঙথোকখ্রে।

অকাশবানি ন্যুজগা ৱারী শান্নবদা ওথোরিতি অসিগী মেম্বর সেক্রেটরি-সঞ্জিব পান্দেনা হায়-২০২৩ দগী ২০২৫ ফাওবদা নেসনেল লোক অধালট ১২ রক পাঙথোক্তুনা লুপা কোতি ২৬ রোমগী কেসশিং লোয়শিনখি।

মনিপুরদসু, মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা কোর্ট কমপ্লেক্স অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট পুমমক্তা নেসনেল লোক অদালট পাঙথোকখ্রে।

মসলসাগী ইগজ্কিটিব চেয়ারমেন-জষ্টিস-এ. বিমোল সিংহ অমসুং জষ্টিস-এ. গুনেশ্বর শর্ম্মনা লমফেলপাৎ অমদি বিষ্ণুপুরদা পাঙথোকপা লোক অধালটকী থৌরমশিং য়েংশিনখি। মখোয়না জ্দিসিএল ওফিসারশিং অমদি লোক অধালট বেঞ্চশিংগী মেম্বরশিং য়াওনা মীওই কয়াগসু ৱারী শান্নখি। জষ্টিস-এ. বিমোল সিংহনা হায়-ঙসিগী লোক অধালট অসিদা কোর্টশিংদা পন্দুনা লৈরিবা কেস ৩৭ অমদি প্রি-লিটিগেসন কেস লিশিং ২,৩৮৫ রোম লোয়শিন্নবা তৌগনি।

চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাদসু নেসনেল লিগেল সাভির্সেস অমসুং মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি-চান্দেলনা শিনদুনা নেসনেল লোক অধালট ২০২৬

জিলাশিং অসিগী চিফ জ্‌দিসিএল মেজিষ্ট্রেটকী কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা অপুনবা শেনফম লুপা লাখ ৫ লিশিং ৫৬,৬০৮, বেঙ্ক রিগভরি কেস তরা, পন্দুনা লৈরম্বা কোর্ট কেস অনি পুন্না লোয়শিনখি।

**শ্যাম (এল)ঃ** এম.এল.এ.-করাম শ্যামনা হায়রি-রাজ্য অসিগী নহাশিংনা মীপাল তাংদনা হিংবা ঙমবা লম্বী থিগদবনি।

ইম্ফালগী রুপমহল ঠিয়েটরদা ঙসি মহৈরোইশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী শ্যামনা হায়-লাইরিক হৈরবশিংনা থবক ফংদ্রে হায়দুনা ককঙাউনদুনা নিশা শিজিন্নরগা লৈবা হায়বসি চুমদে।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** ত্রোংলাউবীগী থৌদোক্তা অঙাং অনি লৈখিদবা অমসুং মদুগী ইহৌদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা নোংমৈ কাপথোরকপদা মীওই অহুম লৈখিদবগী থৌদোক অমসুং চীংগী জিলাশিংদা চথখিবা এট্টেকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা হিয়াংলম ৱাবগাইদা মীয়ামগী ওইবা মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসি অমুকো, এম.এস.এফ, পি.এল.এম.পি.এ.এম, অমোভা অমসুং সি.ও.ঐচ.আরগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা ক্লব অমদি লুপ কয়ানা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

অমরোমদা, থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা অঙাং অনিবু ঙসি রাজ্য সৈনিক বোর্ড, মনিপুর অমদি ওল মনিপুর এক্স-সাভির্সমেন এসোসিয়েসন অনিনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। লৈখিদ্রবা অঙাং অনিগী ত্রোংলাউবীদা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লুপ অনিগী মীওইশিংবু থবক্তগী পোত্থরবা লেপটনেন্ট জেনরেল-কোন্সম হিমালয়না লুচিংখি অমসুং ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি।

**ব্লড (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌজিক চরাংনবা ফিভম মায়োকরিবা অসিনা

ইম্ফালদা অনা লায়েংনবগীদমক পুরকপা মরুওইনা উখ্রুল জিলাগী অনাবশিংদা লেমা ঈ পীনবগী পান্দমদা 'নিদ বেস ভোলুন্টরি ব্লড দোনেসন কেম্প' অমা ঙসি রিমস ব্লড সেন্টর-লমফেলদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অসি হেলপিং হেন্দস ফোর পিপলনা শৌগৎতুনা তাংখুল কতামনাউ লোং ইম্ফালনা রিমস ব্লড সেন্টরগা খুৎশমদুনা শিনবনি।

**ক্লিনিং (এল)ঃ** সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা মার্কেট মেনেজমেন্ট কমিতিগী মীৎয়েং মখাদা নোনে জিলাগী লোংমাই বজারদা লম-তু শেংখ্রে।

থৌরম অদুদা লোংমাই বজার বোর্ড মেম্বর অমসুং এদভাইজরি বোর্ডকী মীহুৎশিংনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ কী নাক-য়েৎতা লৈবা ফত্ত-হৌদিশিং শেংদোকখি।

**নোংঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলা খরদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরগনি।

তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, জিরিবাম, নোনে, চান্দেল, ফেরজোল জিলাশিংদা ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই হায়রি। উখ্রুল অমদি চুরাচান্দপুরদা হয়েং অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

**বেঙ্গোল**ঃ বি.জে.পি. লেজিসলেটর পার্টিগী লুচিংবা সুভেনদু অধিকারি, ঙসি নোংচুব বঙ্গলাগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

কোলকাতাগী ব্রিগেদ পেরেড গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা রাজ্যপাল-আর.এন. রবিনা শ্রী অধিকারিবু থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। মহাক্কা লোয়ননা কেবিনেট মন্ত্রি মঙাসু ৱাশক লৌখি।

কেবিনেট মন্ত্রিশিং অদুদি-দিলিপ ঘোস, অগা মিত্রা পোল, অশোক

কিরতানিয়া, নিশিথ প্রমানিক অমসুং শুধিরাম তুদুনি।

রাজ্য বিধান সভা মীখলদা নৌনা কারক্লবা এম.এল.এশিংনা থা অসিগী ১৩ দা বিধান সভাদা ৱাশক লৌগনি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ য়াওনা এন.দি.এ. অমদি বি.জে.পিনা সরকার পায়বা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং, বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট-নিতিন নবিন অমদি দলগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

হন্দক পাঙথোকখিবা রাজ্য বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা পুন্না সিট ২০৭ ফংদুনা মপুং ফাবা মেজোরিতি ফংবা ঙমখিবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং তেলঙ্গানাদা লুপা কোতি লিশিং ১,৫৩৫ লোমগী তোঙান তোঙানবা রেলৱেজ মরী লৈননা শেমগৎ শাগৎপা প্রোজেক্টশিং মীয়ামদা খুৎশিন্নগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা কিলোমিটর ১১৮ শাংবা কাজিপেদ-বিজয়াৱারা মল্টি ট্রেক্কিং প্রোজেক্ট, কাজিপেদ রেল অন্দর রেল বাই পাসসু মীয়মাদা খুৎশিন্নগনি। মসিনা রেলগাড়ি তোংদুনা চৎলিবা মীওইশিংদা চাউনা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা নুমিদাংৱাইরমদা সিকন্দরাবাদ পেরেড গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা দলগী কর্মিশিংদা ৱা ঙাংগনি।

**এৱার্ডঃ** ২০২৫ গী নেসনেল পঞ্চায়ট এৱার্ড ফংগদবশিং সরকারনা লাউথোকখ্রে। লৈবাক শিনবা থুংবদগী পুন্না পঞ্চায়ট ৪২ দা মনা অসি পীনবগীদমক খল্লে।

পঞ্চায়েটি রাজ মন্ত্রালয়না হায়-মনা য়েন্থোকপগী থৌরম মথং থাগী অহুমদা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কনি। করনাতক্কী পঞ্চায়ট তরুকনা মনা অসি ফংদুনা খ্বাইদগী য়ামা মনা ফংবা রাজ্য ওইরে। মসিগী মথংদা মৈধ্য প্রদেস অমসুং

উরিষ্যানা মনা মঙা-মঙা ফংদুনা অনিশুবা তারে।

মনা অসি তোঙান তোঙানবা কেটাগোরি অনিদা-দিন দয়াল উপধ্যায় পঞ্চায়ট সাটত বিকাশ পুরস্কার অমসুং নানাজি দেসমুখ সরভোতম পঞ্চায়ট সাটত বিকাশ পুরস্কার হায়না পীগনি।

**ফুটবোল ঃ** মনিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথরকপা ২৪ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল অমসুং অহুমশুবা মফম হয়েং সাই এন.ই.আর.সি. ফুটবোল গ্রাউন্দ-তাকয়েল ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি।

ফাইনেলদা ই.এম.এফ.সি. লমলাই অমসুং কৈশামথোং এফ.সি. শান্নগনি। অহুমশুবা মফমগীদমক এ.এফ.এফ.সি. ইম্ফাল অমসুং থাংমৈবন্দ এফ.সি. শান্নগনি।

**ফুটবোল ঃ** ১৬ শুবা অস্ফা সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ-২০২৬-২৭ গী লমলোং থোঙখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা য়ুনাইটেদ পুখাউ স্পোর্টস এসোসিয়েসন (অপসা) বু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা দা য়ঙ ৱেলফিয়ার ক্লবনা ইর্ষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরটিন ৱান দে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী তাউথোংগী খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতা-থাউ থাংমৈবন্দনা সি.সি.কে. খোঙমনবু রন-৪২ দা থোইখ্রে।

থৌবালগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-সেদো থাংমৈবন্দনা পি.সি.সি. ময়াইকোইবীবু রন-১১০ দা অমসুং খাঙবোক

পার্টি থ্রি চেরাপুরগী পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা এন.সি.এ. নম্বোলনা এস.এস.সি. পোরোম্পাৎপু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর ফিফতিন গালর্স ৱান দে ট্রোফি-২০২৫-২৬ কী থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ফোর্স-ক্ষেত্রিগাউনা এস.টি.ৱাই.সি.সি-শগোলবন্দ তেরা কৈথেলবু রন-৩৪৯ দা থোইখি।

**কাং ঃ** য়াইস্কুলগী শ্রীশ্রী গোপালদেব মান্দপতা চখুরিবা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারী অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা হয়েং ওইনাম কাংখুৎকা কৈশামথোং কাংখুৎকা থেংনরগনি।